## সিরিয়ন ফোর্সকী এটেক্তা মীচম কয়া শিখ্রে

বৈরুট, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
রেবেলশিংগী অরোইবা মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল অমগী মায়োক্তা রসিয়ানা শৌগৎপা সিরিয়ন ফোর্সশিংনা চথুবা মিলিটরি ওফেন্সিভ কনখৎলকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা লৈবাক অদুগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা চথুখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা মীচম দজন অনী হেন্না শিখ্রে হায়না ৱার মোনিটর অমা অমসুং লোকেল এক্তিভিষ্টশিংনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## ইজরেলি ফোর্সশিংনা পলিষ্টিনিয়ন ৩ হাৎখ্রে

জেরুসলেম, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
গজা বোর্দর লান্নবা হোৎনখিবা পলিষ্টিনিয়ন গনমেন কাঙবু অমদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইজরেলি মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পলিষ্টিনিয়ন হেল্থ ওফিসলশিংনা ইজরেলি ফোর্সশিংনা কাপশিল্লকপদুনা পলিষ্টিনিয়ন অহুম শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# অফঘানিষ্টান্দা লুহোংবগী পার্টি মফমদা সুইসাইদ বোম এটেক চথুবদা মীওই ৬৩ শিরে



কাবুল, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টান্দগী য়ু এস ট্রুপশিং লৌথোকপগী মতাংদা দিল অমা পুরকপা য়ারগনি হায়বগী থাজনবা লৈন-লৈনা লৈবাক অসিদা মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং লেপ্তুবগী ফিভম অমা লৈরকখিবগা লোয়ননা কেপিটেল কাবুলদা লুহোংবগী থৌরম মতুংদা পাঙথোকপা অচৌবা পার্টিগী মফম অমদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা চথুখিবা শাথিরবা এটেক অমদা মীওই ৬৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৮২ না অশোক-অপন নংলে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘানিষ্টানগী য়ু এসনা শৌগৎপা গভর্নমেন্টকা হৌনবী মতুং ইন্না পিছ টোক পাঙথোক্লবা অমসুং লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী মতাংদা টালিবানগী মায়কৈদগী গভর্নমেন্ট ফেসিলিটিশিংদা মখা তানা এটেক চথুদবগী ফিভমদা লৈবাক অসিদগী য়ু এস ফোর্সশিং ৱিথদ্রো তৌনবগী এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্লবা টালিবান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নিগোসিএসন চথরিঙৈদা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা লুহোংবগী রিসেপসন মফমদা শাথিরবা এটেক অদু চথরকখিবনি।

টালিবান্না এটেক অদু মখোয়গী খুৎ নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কাবুলগী নোংচুপথংবা শরুক্তা মাইনোরিটি সিয়াইটশিংনা তাবা এরিয়া অমদা লৈবা লুহোংবগী হোল অমদা থোকখিবা শাথিরবা বোম পোকখায়গী থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌখি।

শিরিবশিং অমদি অশোক-অপন নংলিবশিং অদুগী মনুংদা নুপী-অঙাং কয়া য়াওই হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নসরট রহিমিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপনা সুইসাইদ ব্লাষ্ট অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ক্লেম তৌখ্রে। কুমজা ২০১৪ দগী অফঘানিষ্টানদা মথি ফোংবা হৌখিবা ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিংনা লৈবাক অসিগী নোংপোক অমসুং অৱাং থংবা শরুক্তা চঙশিন্দুনা ফিভম শেমদুনা লৈখ্রবনি।

# ধাকাগী স্লম অমদা মৈ চাকপদগী মীওই ৫০,০০০ ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
বাংলাদেশকী কেপিটেল ধকাগী অৱাং থংবা চিদাইদা লৈবা স্লম অমগী য়ুম চা কয়া মৈনা তুম্না চাকখিবদগী য়ুমদ্রবদা মীওই ৫০,০০০ ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিৎকী অহিংদা মিরপুর টাউনগী মী চিন্না তাবা স্লম অদুদা লৈবা য়ুম ১৫,০০০ রোম মৈনা তুম্না চাকখিবদুদা মীওই অহুম অশোক-অপন নংখি হায়না বি সী সীনা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুম কয়ামরুম প্লাষ্টিক্লা মথক কুপ্পনা মরম ওইদুনা মৈরি শন্দোকপদা মতেং পাংদুনা পাক্তক্লনা য়ুমশিং অদু মৈ চাকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীশি-মীনা থোকখিবগী পাউদি ফংদ্রি। স্লম অদুদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা শেন্থোক নেম্বা অমসুং অফং-অফংবা শুরগা চাবা ঙাক্তনি অমদি মখোয় অয়াম্বা মুস্লিমশিংগী ইদ অল-অধা কুম্মৈগা মরী লৈননা মফম অদুদগী চৎথোক্লখি হায়রি।

ফয়ার ফাইটরশিংনা মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনবদা পুং ৬ লোম চঙখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা কোষ্টেল সিটি চিতাগোংদা লৈবা স্লম অমদা মৈ চাকখিবদসু মীওই ৫০,০০০ রোম ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদবনি।

# সুদানগী আর্মি অমসুং সিভিলিয়নশিংনা লৈঙাক পায়মিন্নবগী দিল অমা খুৎয়েক পীনখ্রে



খার্তুম, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
সুদানগী মরু ওইবা ওপোজিসন কোলিসন অমসুং রুলিং মিলিটরি কাউন্সিলনা থাংজ নুমিত্তা অরোইবা লৈঙাক পায়মিন্নবগী দিল অমা খুৎয়েক পীনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা ট্রাঞ্জিস্নেল গভর্নমেন্ট অমা লাকহন্দুনা মমৈথংদা দেমোক্রেটিক মীখল পাঙথোকপা য়ানবগী লম্বী ফাংখ্রে।

নাকল অনীগী মরক্তা ইন্টরিম গভর্নমেন্ট অমা শেম্মিনবগী দিল অমা খুৎয়েক পীনখিবদা মীওই লিশিং কয়ানা কেপিটেল খার্তুমগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। মীওই কয়ানা মতম অমদা মফমদগী চিংথুখ্রবা ওমর অল-বাসিরগী রেলিশিং মফম অমা ওইরম্বা নৌনা মমিং থোল্লবা ফ্রীদম স্কার তম্না চঙশিন্নখি।

হোর্ন ওফ অফ্রিকাদগী ইজিপ অমসুং লিবিয়া ফাওবা শন্দোক্লিবা অফ্রিকাগী লমদমগী মফম কয়াদা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অমদি লালহৌবগী ইরাংশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা অমদি লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্দুনা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা সুদান্দা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম লাকহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনৈ।

থা অসিগী ৪ দা এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবা সুদানগী মিলিটরি কাউন্সিলগী দেপ্যুটি হেদ মোহমদ হমদান দাগ্লো অমসুং ওপোজিসন এলাইয়েন্সকী মীহুৎ অহমদ অল রবিনা থাংজ নুমিৎকী পৱার-স্যেরিং দিল অদুগী মরু ওইবা সিগনেটেরিশিং ওইখি। নুমিৎ অসিবু সুদানগী অফবা তুংলমচৎ অমা শেম্নবগী লম্বীদা চঙশিনবগী মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা নীংশিংননবা ঐহাক্না মীপুম খুদিংমক্তা আপিল তৌজরি হায়না মিলিটরি কাউন্সিলগী মকোক লেফটনেন্ট জেনরেল অব্দেল ফতাহ বুর্হান্না থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা ফোঙদোকখি। খুৎয়েক পীনবগী থৌরম অদুদা একোর্দ অদু পুরক্লবগী ৱাতেমখিবা ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবিয়ে অহমদ অমসুং অফ্রিকান য়ুনিয়নগী কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন ফকি অহমদসু শরুক য়াখি।

# রসিয়ানা য়ুরোপ্তা অনৌবা মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌরোই

মোস্কো, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পুক্লিং ফাথদুনা য়ুরোপ অমসুং এসিয়াদা অনৌবা খুৎলায়শিং দিপ্লোই তৌদ্রিবমখৈ রসিয়ানসু মান্নবা মওংদা অনৌবা মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌখিরোই হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাশিংটন্না সোভিয়েট মতমগী খুৎলায়গী পেক্ট অমদগী ৱিথদ্রো তৌখ্রবা মতুংদা মোস্কোনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। মোস্কোবু ইন্টরমিদিয়েট ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস (আই এন এফ) ট্রিটি খোঙ্গাওনদুনা অথিংবা থমখ্রবা মখলগী মিসাইল অমা দিপ্লোই তৌই হায়না মরাল শীখিবা মতুংদা থা অসিগী অহানবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ট্রিটি অদুদগী ৱিথদ্রো তৌখিবনি।

ৱাশিংটন্না মোস্কোবু ট্রিটি অদু খোঙ্গাওনৈ হায়রিবদুবু ক্রেম্লিন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু রসিয়ানসু দিল অদুদগী ৱিথদ্রো তৌরে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরনা সোইগুনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না হৌজিকমক্কীদি অনৌবা মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌনবগী থৌরাং লৈতে হায়বা ৱাফমসু থমখি।

রোসিয়া-২৪ টি ভি চেনেলদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, য়ুরোপ্তা ৱাশিংটন্না অনৌবা মিসাইল সিষ্টেমশিং দিপ্লোই তৌবা লৈত্রবদি মোস্কোনসু অদুগুম্বা খুৎলায়শিং দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম লৈরোই। মোস্কো অমসুং ৱাশিংটন্না খুৎয়েক পীনখিবা পেক্ট অদুনা কিলোমিটর ৫০০ দগী কিলোমিটর ৫,৫০০গী রেঞ্জ ওইবা কংফালদা দিপ্লোই তৌগদবা মিসাইলশিং য়ুরোপ অমসুং অতৈ মফমশিংদা থম্বদা অথিংবা থমদুনা লৈবাক অনীমক্কী অথুবা মতমগী মনুংদা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোকপা ঙম্বগী কেপাসিটি হন্থহনখিবনি।

আর্মস কন্ট্রোল ট্রিটি অদু চৎনখিদ্রবা মতুংদা করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কংফালদা বেজ তৌবা সোর্ট অমসুং ইন্টরমিদিয়েট রেঞ্জকী মিসাইলশিং পুথোকপা হৌরক্লবদি মোস্কোনসু মান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

অমরোমদা, কুমজা ১৯৮৭ কী ন্যুক্লিয়র মিসাইল ট্রিটি অদুবু থাদোক্লবা রসিয়ানা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা করিগুম্বা নাটোনা য়ুরোপ্তা পামদবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপা তারবদি মোস্কোকী মায়কৈদগী চপ মান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না রসিয়ন দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর য়্যাবকোভনসু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

# য়েমেনি সেপরেটিষ্টশিং অদেন্দগী হন্দোকপা হৌখ্রে, হৌথিশিংনা সাউদি ওইল প্লান্টতা এটেক তৌখ্রে



অদেন/দুবাই, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
য়েমেনগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা বেজ তৌবা সেপরেটিষ্টশিং মখোয়না হৌখিবা চয়োলদা পায়শিনখিবা অদেন্দা লৈবা গভর্নমেন্ট বিল্ডিং খরদগী থাংজ নুমিত্তগী হন্দোকপা হৌখ্রবসু মখোয়না মিলিটরি কেম্পশিং মখা তানা পায়শিন্দুনা সাউদর্ন পোর্ট কন্ট্রোল তৌরি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সেপরেটিষ্টশিং অসিনা অদেনগী মিলিটরি পোষ্টশিং য়াওনা মরু ওইবা মফম কয়া খুদম চনখিবা অদুনা ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথিশিং থেংননবা শেমখিবা সাউদিনা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্দা চৈথেং অমা পীখিবনি।

হৌথি মিলিটরি স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখিবদা, সাউদি অরাবিয়াগী নোংপোক থংবদা লৈবা সায়বাহগী ওইল ইন্টোলেসনশিংদা থাংজ নুমিত্তা দ্রোন ১০না এটেক তৌদুনা কিংদম অদুগী মরু ওইবা মফম কয়া য়ৌশিন্দুনা গ্রুপ অসিনা অহানবা ওইনা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মরু ওইবা ফেসিলিটিশিং মাঙহন-তাকহনবা ঙম্লে। ষ্টেট ওইল কম্পনি সাউদি অরামকোনদি এটেক অদুনা গ্যাস প্লন্ট অমদা মৈ খরা হৌহনখিবা নত্তনা কা হেনবা মওংদা মাঙহন তাকহনবা লৈতে অমসুং মদুনা প্রদক্সন্দসু অকায়বা পীদে হায়না ফোঙদোকখি। ইনর্জি মিনিষ্টর খালিদ অল-ফালিহনা ষ্ট্রাইক অদুবু পাংদবগী থৌওংনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখি। য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদু সুনি মুস্লিম লৈবাক সাউদি অরাবিয়া অমসুং লমদম অদুদা লৈবাক অসিগী সিয়াইট রাইভেল ইরানগী মরক্তা শোক্লবা পোক্সি লান অমনি হায়না পাক শন্না লৌনরিবনি।

# ইষ্টর্ন লিবিয়ন ফোর্সেসনা সিভিলিয়ন এয়রপোর্টতা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে : য়ুনাইটেদ নেসন্স

ট্রিপোলি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
ইষ্টর্ন লিবিয়ন ফোর্সেসনা এয়রষ্ট্রাইক কয়া চথুদুনা ৱেষ্টর্ন লিবিয়াদা লৈবা মিলিটরিগী হীরমদা শীজিন্নবগী ফিভম অমত্তা লৈতবা সিভিলিয়ন এয়রপোর্ট অমদা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা বেজ তৌবা লিবিয়ন নেসনল আর্মি (এল এন এ) ফোর্সনা টর্কিস দ্রোনশিংনা শীজিন্নবা হেঙরদা টার্গেট তৌদুনা ট্রিপোলিগী নোংচুপ্তা লৈবা টাউন অমা ওইরিবা জুৱারাগী এয়রপোর্টতা অনীরক বোম থাদখি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

এটেকশিং অদু হৌজিক্তি থা ৫ চঙলক্লবা ইষ্টর্ন লিবিয়ন ফোর্সেসনা মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্টকী মফম ওইরিবা ট্রিপোলিবু নমদুনা পায়শিন্নবা হোৎনবগী কেম্প্যেন অমগী শরুকনি। লিবিয়ন নেসনল আর্মি অসি লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবদা লৈবা পেরেলেল গভর্নমেন্ট অমগা মীচং চুংশিন্নবা খালিফা হাফটরনা কম্মান্দ তৌরিবনি।



য়ু এন লিবিয়া মিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, মিসন অসিগী মীওইশিংনা জুৱারা এয়রপোর্টতা চত্তুনা য়েংশিনবদা মফমদুদা মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর নৎত্রগা এসেট অমত্তা লৈরম্বা থেংনখিদে।

এল এন এ ফোর্সশিংনা জুৱারা এয়রপোর্টতা এটেক চথুদুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবগী থৌওং অসি মিসন্না কন্দেম তৌই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

# টালিবান লিদরগী মনাও হাৎপনা পিছ টোক্তা অকায়বা পীরোই



পেসৱার/কাবুল, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
বোমগী এটেক অমা চথুদুনা টালিবান লিদরগী মনাওনুপা হাৎখিবগী থৌদোক্লা চহী ১৮ লান শোক্লরক্লবা মতুংদা অফঘানিষ্টান্দগী য়ু এস ট্রুপশিং হন্দোকখিনবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা চথরক্লিবা পিছ টোক্তা অকায়বা পীবা তৌরোই হায়না থাংজ নুমিত্তা অফঘান-টালিবান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তানগী ক্বেতা সিটি মনাক্তা ইরাই নুমিৎতা টালিবানগী লুচিংবা হাইবাতুল্লাহ অখুন্দঝাদাগী মনাওনুপা শিহনখিবা বোমগী এটেক অদুগী মতাংদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈখিদে। টালিবানগী মায়কৈদগী সিক্যুরিটি গরেন্টি পীবগী ফিভমদা অফঘানিষ্টান্দগী য়ু এসকী ট্রুপশিং লৌথোকপগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরক্লবা ৱারী শান্নবদা খুমাং চাওশিনবা ঙম্লে হায়না টালিবান অমসুং য়ু এস ওফিসলশিং অনীমক্লা ফোঙদোক্লখিবা মতুংদা মীহাৎ অদু চথুখিবনি।

কনাগুম্বা মীওইশিংনা ঐখোয়গী লুচিংবশিংবু থৱায় থাহল্লগা ঐখোয়গী পান্দম ফংবা ঙমহল্লোই হায়না খনবা ওইরবদি য়াম্না লানবা ৱাখল ওইগনি হায়না টালিবানগী লুচিংবা অমনা টেলিফোনগী খুথাংদা মফম অমদগী ফোঙদোরকখি।

টালিবান মিলিটেন্টশিংনা অফঘানিষ্টান্দগী ফোরেন ফোর্সশিং তান্থোক্লবা অমসুং কুমজা ২০০১ গী সেপ্তেম্বর ১১ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা শাথিরবা এটেকশিং চথুখিবা মতুং চহী অদুগী ওক্তোবরদা টালিবান লৈঙাক চিংথুখ্রবা মতুংদা লৈবাক অদুদা ইস্লামিক ষ্টেট অমা লিংনবগী পান্দমদা লান হৌরিবনি।

ক্বেতা সিটিগী মনাক্তা মোস্ক অমদা চথুখিবা বোম এটেক অমদা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২০ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পাকিস্তান পুলিসনা ফোঙদোকখি।

টালিবান লিদরগী মনাওনুপা হফিঝ অহমাদুল্লাহনা অতৈ মীওই কয়াগা লোয়ননা লাইশোন থৌরম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা বোমগী এটেক অদু চথুরকখিবনি। এটেক অদুদা টালিবান লুচিংবগী মচাশিংগী মনুংদা অমা অশোক-অপন নংখি হায়না গ্রুপ অসিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। পাকিস্তানি পুলিসনা শিরিবশিং অদুগী মনুংদা হাফিঝ অহমাদুল্লাহ কৌবা মীওই অমা য়াওই হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

# ম্যান্মারদা এম্বুলেন্সতা চথুরকখিবা এটেক্তা রেস্ক্যু ৱার্কর শিরে

য়াঙ্গোন, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারগী অৱাং থংবা শরুক্তা ট্রুপশিং অমসুং ইথনিক রেবেলশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লরিঙৈ চৈরক্তা লমদম অদুদা এম্বুলেন্স অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা চথুরকখিবা এটেক অমদা রেস্ক্যু ৱর্কর অমা শিরে অমসুং অতৈ কয়ানা অশোক-অপন নংলে হায়না আর্মিগী স্পোক্সমেন অমা অমসুং থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওই অমনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইথনিক লালহৌবা গ্রুপশিংনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতগী অহেনবা ওটোনোমি তান্দুনা লালহৌবগী অকনব ইরাং লৈরিবা সান ষ্টেটকী খ্বাইদগী চাওবা টাউন লাসিওদগী মাইল ১৩ লোম লাপ্পা মফমদা এম্বুলেন্স গাড়ি অদুনা কনবোই অমগী মরক্তা য়াওরগা য়ৌশিল্লকখিবদা এটেক অদু চথুরকখিবনি।




ঐখোয়গী চ্যেরমেন্দা স্নাইপর অমনা কাপ্লকপদা মকোক্তা পানখি অমসুং মদুগী মতুংদা এম্বুলেন্স অদুদা আর পি জি অমা কাপশিল্লকখিবগা লোয়ননা গাড়ি অদু ওনখি অমসুং মহাক শিখি হায়না এটেক অদুদা হিংহৌখিবা লাসিও য়ুথ চেরিটি এসোসিএসনগী মেম্বর অমা ওইরিবা ওং চো মোনা ফোঙদোকখি। মহাক্না এটেক অদুগী মতাংদা গভর্নমেন্ট ট্রুপশিংগা লান্থেংনরিবা ইথনিক আর্মিশিংগী গ্রুপ অমা ওইরিবা নোরদর্ন এলাইয়েন্সকী কাঙবুশিংবু মরাল শীখি।

লোকেল মিদিয়ানা থাংজ নুমিত্তা ফোঙখিবা ফোটোশিং অমসুং ভিদিওদা য়ুথ গ্রুপ অসিগী মমিং য়াওবা গাড়ি অমা চেপ্লগা লৈবগী শক্তম উৎখি। গাড়ি অদুগী থোঙনাওশিংদা নোংমৈ মরুগী মখুলশিং তাবসু উখি। শগোলশেল নুমিত্তা নোরদর্ন এলাইয়েন্সনা এলিট আর্মি কোলেজ অমদা এটেক তৌদুনা অয়াম্বনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং ওইখিবা মীওই ১০ হেন্না হাৎখিবা মতুংদা লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।